থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ... নত্তে, হান্নই ৱেভ হন্থদ্রি

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর'না, ষ্টেটসিদা কোভিদ-১৯গী ফীভম নোংম-নোংমগী ফৎচিল্লক্ত্রিবা অসি য়েংলগা 'অমুক নৌনা টোটল-লোকদাউন অমা লাউথোকপগী তঙাইফদবা অমা লাকপা য়াই সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ইঙ্গিৎ ঙাইরি' লাউথোকখিব'দুদগী লমদমসিগী মীয়ামদা লাংতক্লবা অমা পোকহল্লকখি। ঐখোয়গী মীয়াম অসিসু কয়ামুক মথোঙ হুকখিদ্রবনো য়েংবীয়ু - 'ওক্টোবর ২৩দগী মণিপুরদা টোটল লোকদাউন লাউথোক্কে, কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখরে' হায়দুনা ফেসবুক্কী/সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা তোকঙা শন্দোক্লিবনি। মীয়াম্না পাখৎনদুনা, পাউজেল (মেসেজ) অদু অমদই অমদা শন্দোকখিবা, লৈঙাক - ওথোরিটি'না শেংদোক-ৱারোল থাদোকপদু তারগা হরাও মীনোক নোকচবা, পেঞ্জবা মীওই খর'সু লৈরিবনি ইরকসিদা।

তোকঙা অসি শন্দোকপগী মহুত্তা, লুরবা প্রোব্লেম অসি সোল্ব তৌবা ঙমদবা, তৌফম থোকপদু তৌদবা - 'লৈঙাক অমদি মীয়াম' অসিবু চৈদুনা, তৌহন্নীংবা থৌরাংদু সজেসন পীবা ওইরম্লবা, মহাকপু মীয়াম্না থাগৎনরমগনি। লৈঙাক-লুচিংবা মহাকসু, করপ্তেদ ওইবা সিষ্টেমসিনা পঙথহনখ্রবা ইন্টেল্লিগেন্ট ওইবা ওফিসরশিং, তোকঙা শন্দোক্লল্লিবা ক্রিমিনেলদু ফাদুনা চৈরাক পীরম্লবা, অশেংবা লুচিংবা অমনি শোয়দনা শোন্নরমগনি। হৌজিক্তি কোরোনা লাক্লবা ঙমদরে, কোভিদ'না ওইনা লাক্লরে হায়বা অসি নাখৈ শেংলে। কোভিদ-১৯গী লানফমসিদা মণিপুর লৈঙাক খূৎ থাদুনা চঙজবা, সরেন্দর তৌবগা পাংখক ওইরে। কোভিদ-ক্যের সেন্টর'দা পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্ট'শিং করম্বা ফীভমদা থল্লিবা... হোস্পিটালদা থমখ্রবা, সিরিয়স ওইরবা অনাবশিংদনা করম্বা লায়েং চত্থরিবা, করি ত্রিটমেন্ট তৌরিবা... দিসচার্জ তৌরক্লবা অনাবশিংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং, পাউচেশিংদা, ফোঙনদবই ৱানি, পূম্নমক্কা খঙই ... 'এক্সত্রা-ক্যের কনানসু লৌবীদে, নর্স/ডোক্টর অমত্ত'না মনাক্তা চঙদুনা য়েংবীদে ... ফরক্তুনা দিসচার্জ তৌরকখিবশিং লায়েংদুনা ফরকপা নত্তে, মরোমদোম ফজরকখিবনি ... ' তাবা ৱারবা ৱা'মক্তনি ঙাঙনরিবা মীয়ামসিনা। অদুবু, ওথোরিটি ওইনা ফল্লিবা ওফিসর অমদি মন্ত্রিশিংদি তাবা ঙম্মী। অসুক সিরিয়স ওইরক্লবা ইস্যুসি থওইদনা লৈবা ঙম্মী।

শেরান্ননা খনফরোই। লৈঙাক ওতোরিটি'না কোভিদ-১৯ ইস্যু'সি সিরিয়স ওইনা লৌদে। থওইদে হায়বা ষ্টেটমেন্ট'সি শেরান্ননা খনফরোই। মীওইবগী পুন্সিদা অসুক চাউনা শিংনবা, লৈবাক অমগী হকশেল থৌরাংদা কোভিদ-১৯না পীরক্লিবা চৈথেংসিগুম কনবা চৈথেং পুৱারীদা অমুক্তসু থোক্লমখিরোই। চেলেঞ্জ অসি মায়োক্লবা ঙম্বা, থৌরাং-থৌশিল য়াৎপা হৈবা লুচিংবদুনি লৈবাক খুদিংমক্কী মীয়াম্না পাল্লিবা চীন্না অমা, খূৎনা অমা - লৈঙাকপশিংগী শক্তাক্লফম ওইবা মতৌদু কোভিদ-১৯ মতমসিদা চুনদে। লাইচৎসিগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা পায়খৎখিবা ইমর্জেন্সি - থবক-থৌরম, শেমগৎখিবা হেল্থ-ইনফ্রাষ্ট্রকচর, লৌখৎখিবা এদমিনিষ্ট্রেটিব মিজর ... করম্বা লৈবাক্কী করম্বা মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎখিবগে? চাইনাগী অতোপ্পা সহর অমত্তদা কোভিদ-১৯ য়ৌখিদবা, মীশি-মীনা কা হেন্না থোকখিদবা, ৱুহান সহরমক্তুদসু লিশীং মঙা য়ৌনা শিখিদবা ... করম্বা চেকশিন থৌরাংদগীনো নৈনবগী মহুত্তা, চাইনাগী লেবোরেটরিদা মহীক অসি শুংবনি, বাইওলোজিকল ৱার অমনি হায়বনচিংবা প্রমান লৈতবা ৱাফম কয়া অমেরিকা'না লুচিংদুনা শন্দোরকই। মহাভারতকী কুরুক্ষেত্র লাঞ্জাওদুফাও নুমিৎ ১৮দা মায় পাক্লা লাম্হেংনরকখ্রিবা ইন্দিয়ানি, নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন'না কোভিদ-১৯ লাকশিনগনি লাউথোক্লুবা 'মোদি-জি' - ঙসিদি ৱা ঙাঙখিদ্রেদনা, মীশি-মীনাগী লমজেলসিদা ইন্দিয়া'না মকোক তারক্লব'কানসিদা। রিপব্লিক টিভি'না খূবাক খুদুনা থাগৎ-ৱাহৈ পীখিবা, ইন্দিয়া পূম্বদা তুজুংনীংঙাই ওইনা হেনগৎলগা মণিপুর'দনা জীরো-কেস লৈরিঙৈ, চীফ মিনিষ্টরগী ফৌরামুক পাকখিবা মমায়দু ঙসিদি খূজিন মমায়মুক্তা পাকখরে। অপূনবা মীশিংগা কেস মশীংগা য়েংনবদা (প্রোপোর্সনেটলি) মালেমগী নম্বর ৱান তারক্লবা মতমসিদা, মণিপুরদা হকশেল থৌরম হকথেংননা য়েংশিন্নবা হেল্থ মিনিষ্টর ফাওবা থল্লক্ত্রবা লৈঙাকনি। কোভিদ-১৯না নারবা অনাবখক থেংননবা 'দেদিকেটেদ হোস্পিটাল' থম্মি লাউথোকখিবা, কদায়দনো উবা ফংদ্রি। চহী-চহুম-চামরি নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলিবা চাংসিনা হন্থরক্ত্রবা, হোস্পিটালশিংগী কোরিদোর অমদি ভেরান্দা অনাবা অমদি অশিবা পুল্লপ পুন্না লৈমিন্নবই থাক্তুদা লাক্লগনি শোয়ররোই। অমেরিকা, স্পেইন, ইটালিগী দৃশ্যদু মুম্বইদসু উখ্রবনি। অঙৈংবা ঈশিং-নুংশিৎতনা হেন্না চুনৈ হায়নবা কোভিদ-১৯, নবেম্বর-দিসেম্বর-জন্যুৱারী, নিংথম-থানা লাকপদা, মহীকসিগী অনীশুবা ৱেভ য়ৌরক্কনি হায়নরিবসিনা চুম্লবদি মণিপুরদা ওইরক্কদবা দৃশ্যদু ৱাখলসিনা লামশিল্লুবদা তু চুংই।

কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমদি ওইরক্কদবা, ইরুদুনা কান্নদে খঙদবা কনা লৈত্রবনি। খঙ হৈরবা এক্সপার্টশিংনা থাবুম তরেৎ নৈনরকপগী লৌশিংদুনি ঐখোয়গী কোক্তা হানজিল্লিবা। মশক ওল্লবা মহীকসিগী শকওং (কোভিদ-১৯গী ম্যুটেটেদ ফোর্ম) অমদনি হন্দক্কী নিংথম-থাসিদা সেকেন্দ ৱেভ ওইনা থুংলদৌরিবা। মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎসিগা চূনবা শকওং অমা ওল্লম্বসু য়াই নহান্না, মাইক্রোবাইওলোজিষ্টশিংনা থিজিল্লুদবগী খঙদবনি। ওইনীংবসু ওইরসনু, ওন্নীংবদু ওল্লসনু মঙোন্দগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়গী চেকশিন-থৌরাংদুদি হোংবা লৈতে - চথোকপদা চীনখুম উপ্পা, সাপোন শীজিন্নরগা খূৎ তোয়না হামদোকপা, মী য়াম্না পূন্দবা, ঐখোয় মশেন মরক্তা ফুট তরুক লাপ্নহনবা, মীত্তা-চীনদা-নাতোন্দা খূৎনা শুকথেং থেংদবা। ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙলবা, ইচম চম্বা থবকসি খঙনা খঙন াতৌদবা, হৈনবী ওইহনবা ঙমদবসিদইনি কোভিদ লৈই মথক তম্না কারিবসি লৈতেম মান্নহনবা ঙমদ্রিবা। মীবু মীথানদবা, মীগী মৱা লৌদবদা শীংথানবা য়ারিবা ফুরুপ ময়ামনি লমদমসিদা লৈরিবা, কোভিদ-১৯ কনানসু থিংবা ঙল্লোই, শিবা য়াবা শিখ্রসনু, লোইনমক্তি শিরোইদনা।

লৌশিং পুক্কে

# অঙাংশিংবু স্কুলদা থাবা হৌদ্রিঙৈদা মমা মপাশিংনা ফ্লু অমসুং কোভিদ-১৯গী মরমদা খঙগদবশিং-২

কোভিদ-১৯না নাবা অঙাংশিং অদুদনা দাইরিয়া, ওবা, কোক চীকপা, হকচাং থীন্দোকপা অমদি থবাক নাবগী চাং য়াম্না হেন্না থেংনবগী রিপোর্ট লৈখি।

নাতোন ফুনবা, খৌনাউ নাবা নৎত্রগা নীংশা হোনবা ৱাবগী খুদোংচাদবা থেংনবগী মতাংদদি কা হেন্না খেন্নবা থেংনখিদে।

মার্চ থা মনুংদা স্কুল হাংদবা মতমদা হোস্পিটালদা ফ্লূগী কেস লাকপগী মশিং হন্থখিবা মরম্না ষ্টদি অসিগী লুচিংবা অথর ওইরিবা চিলদ্রেন'স নেসনল হোস্পিটালগী ইনফেক্সন কন্ট্রোল/এপিদিমিওলোজিগী দিরেক্টর ডা. জিয়াওয়ান সোলনা স্কুল হাংদবনা কোভিদ-১৯দা পীবা ইফেক্ট অদু য়েংবা পাল্লি।

অঙাংগী মমা-মপাশিংনা মায়োক্লগদবা খুদোংচাদবা অমগা হায়রগদি কোভিদ-১৯ অমসুং ফ্লূ অসি মতম অমত্তদা চপ মান্ননা নারকপা য়াই হায়না সী দি সীনা হায়রি।

'কোভিদ-১৯ অমসুং ইনফ্লুয়ঞ্জাগী লাইওংশিং অসি য়াম্না মান্নৈ, ষ্টদি অসিনা উৎপগী মতুংইন্না লাইওংশিং অদু উৎথোরকপগী মওং-মতৌদা খেন্নবা খজিক্তংদি লৈ' হায়না ডা. নাথানিয়ল ব্যির্সনা হায়খি। ডা. নাথানিয়ল ব্যির্স ঐচ এস সী হেল্থ ক্যের সিষ্টমগী প্রসিদেন্ট ওইবগা লোয়ননা চিলদ্রেন'স নেসনল মেদিকেল সেন্টরদা পিদিয়াট্রিসিয়ন অমসু ওইরি। মহাক ষ্টদি অসিগদি মরী লৈনদে।

মমা মপা ওইবশিংনা মখোয়গী মচাশিং অদু লাইহৌ তৌরবা, লোক খূরবা, ওবা নৎত্রগা দাইরিয়া তৌরবা নৎত্রগা খৌনাউ নারবদি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা মথৌ তাগদ্রা নৎত্রগা ইনফ্লুয়ঞ্জাগী টেষ্ট তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা লেপথোক্লবগীদমক পিদিয়াট্রিসিয়ন (অঙাং লায়েংবা দোক্টর) দা কন্টেক্ট তৌগদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তারি।

অঙাংশিংদা মরম কয়ামুক্লা মরম ওইরগা লাইহৌ তৌহনবা য়াই, মরম অদুনা মমা-মপাশিংনা মচাশিংদা লাইহৌ তৌরিবা অদু কোভিদ-১৯না থোকহনবনি হায়না হেক্তা খল্লোইদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মুজোন-রিভাসনা হায়, অঙাংশিংদা লাইহৌ হৌবা, লোক খূবা, খৌনাউ নাবা নৎত্রগা মখল অমা হেক্তগী নীংশা হোনবা নুংঙাইতবা, চাবা থকপা নুংঙাইতবা নৎত্রগা তূম্বা য়াদবনচিংবা তৌরগদি দোক্তরদা ফোন তৌদুনা পাউ ফাওনবীয়ু। কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শন্দোক্লিবা মফমদা লৈবা মীওই ওইরগদি সিমটোমেটিক পেসেন্টশিং ফ্লূ অমসুং কোভিদ অনীমক্কী টেষ্ট তৌথোক্কদবনি অমদি মফমদুগী ওথোরিটিনা পীবা ফ্লূগী ইনফোর্মেসনশিং অদু ফোলো তৌগদবনি।

ফ্লু অমসুং কোভিদ-১৯ অনীমক অসিনা অঙাংশিংদা শাথিবা অনা-অয়েক থোকহনবা ঙমই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ ফ্লোরিদা (য়ু এফ হেল্থ)দা পিদিয়াট্রিক্স অমদি এপিদিমিওলোজিগী প্রোফেসর অমা ওইরিবা ডা. সোঞ্জা রাসমুসেননা ফোঙদোক্লি।

মহাক্লা হায়, কোভিদ-১৯ অসি অহলশিংদগীদি অঙাংশিংদনা কন্না নাবগী চাং হন্থে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা তারে, অদুবু কনাগুম্বা অঙাং খরদদি লায়না অসিনা য়াম্না শাথিনা নাহনবা ঙমদবসু নত্তে। অঙাং খরদি লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিবসু য়াওখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

লায়না অনী অসিনা নাহন্দনবগীদমক মমা মপা ওইবশিংনা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

ফ্লূগী ওইনদি তৌবা য়াবা হায়বসি ফ্লূগী ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনি। কোভিদ-১৯গীদি ভেক্সিন অমা পুথোরক্ত্রিবা ফাওবদি মাস্ক উপ্পা, খূৎ হাম্বা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি হায়না রাসমুসেননা ফোঙদোকখি।

অদুবু ফ্লূগী ভেক্সিন কাপ্পবফাওবদা হন্দক্কী নীংথমথা অসিদি অঙাংশিং ফ্লূ অদুম্মক নারকপা য়াই হায়বসি মমা-মপাশিংনা নীংশিংগদবনি।

ব্যির্সনা হায়, 'ফ্লূগী ভেক্সিন কাপ্পনা ইনফ্লুয়ঞ্জা নারকপা য়াবগী চাং নেমথহল্লগসু অমদি ইনফ্লুয়ঞ্জা নারবা ওইরগনা মদুদগী থোক্লকপা য়াবা কমপ্লিকেসনশিংগী চাং হন্থহল্লগসু অমদি নাবগী মতম তেনশিল্লগসু, ভেক্সিন কাপ্পা অদুনা ইনফ্লুয়ঞ্জাদগী চান্মদা চান্মা ঙাকথোকপা ঙল্লগনি হায়বদি লৈতে। মরম অদুনা পিদিট্রিসিয়নশিংনা টেষ্ট তৌবা মতমদা ফ্লূগী ভেক্সিন কাপখ্রবা অঙাং ওইরগসু ফ্লূ অমদি কোভিদ-১৯ অনীমক্কী টেষ্ট তৌগদবনি।'

অমেরিকান একাদেমি ওফ পিদিট্রিসিয়ন (এ এ পি) নসু হন্দক চহী অসিগী ওইনদি ফ্লূ ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা য়াই।

এ এ পিগী ৱেবসাইটতা হায়রি, ওক্টোবর থা লোইশিল্লকপফাওবদা নৎত্রগা মসিদগী ঙনখৎনা অঙাংশিংবু শোয়দনা ফ্লূগী ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মসি হন্দক্কী ফ্লূগী থা অসিদদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হান্নদগী হেন্না মরু ওই।

হান্না ফ্লূগী ভেক্সিন কাপহৌদবা কোভিদ-১৯না নাবা অঙাংশিং কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং হেক ফখিবগা ফ্লূগী ভেক্সিন কাপথোকপা য়াই হায়নসু ৱেবসাইট অদুদা হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**কেশোরজিৎ এন সী অঙোম, চীঙারেল টেজপুর**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মতম শাংনা লাইরিক তম্বা ফংদনা ঙসিসু অদুমক লৈরি। অদুবু গভর্ণমেন্ট স্কুল অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওনলাইন ক্লাস চত্থদুনা মহৈ তম্বা ফংনবা হোৎনরি। মসিমক্লা মহৈরোয় খুদিংমক্লা ওনলাইন ক্লাসনা মপূং ফাবা মহৈ তম্বা ফংবা হায়বদুদি ওইদে। অমরোমদা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা অমত্ত য়েংশিনবীদনা লৈবা অসি লাইবক থীবনি। লোয়ননা থা কয়া লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী স্কুল ফী পীবগী মতাংদসু চপ চানা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অমদি প্রাইভেট স্কুলগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগা য়ানবা পুরকপগী ৱাফমসু লৈতে। অমরোমদা, মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা থা কয়া মহৈ তম্বা ফংদনা লৈবা অসিদা মতৌ করম্না স্কুলগী ফী থিগদৌরিবনো হায়বগী ৱাহংসু লাক্তবা নত্তে। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো হৌজিক কোরোনাগী মতম অসিদা পূম্নমক্লা ৱানরিবা মরম্না পূম্নমক্কী য়াইফগদবা লম্বী অমা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা লম্বী অমা য়াৎপীদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবা শীনবীয়ু হায়জরি।



**ৱাংলেম্বম রোবিনসন, টোপ অৱাং লৈকায়**

লৈঙাক্লা হায়রি য়ূমদগী মপান থোকপীগনু, মীয়াম পূনবীগনু। মীয়াম্না অমুক লৈঙাক্তা হংনীংই য়ূমদগী মপান থোক্ত্রবদি থবক শূবা-নোম্বা য়াদনা লৈরিবা অসিদা মতৌ করম্না হিংবা ঙমগদৌরিবনো। নোংমগী অফং-অফংবা থবক শূরগা চাজরিবা অমদি ইমুং পুজরিবা লৈবাক মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা খজিক খন্থফম থোকই। কোভিদ-১৯গী লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীয়ামসু য়ূমদগী মপান থোক্তুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা পাম্বা নত্তে। অদুবু চান-থক্লবা অমদি হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং লৈশিল্লক্তবনা মতৌ করম্না হিংসিগে হায়বগী লানফমদা থোক্লরক্লিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদুনা মীয়ামগী মতেং পাংফম থোকই। লোয়ননা মীয়াম্লসু লায়না অসিবু লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা থল্লিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। নৎত্রবদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদগী অমুক হেন্না কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ হেনগৎলক্তুনা লৈবাক মীয়াম পূম্বা কা হেন্না ৱারকপা হায়বদু ওইগনি। মরম অদুনা লৈঙাক, সী এস ও অমদি লৈকায়গী ক্লবশিংনসু লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা অমুক্কা হেন্না অচৌবা থৌদাং লৌহন্নীংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## সত্যভমানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : অনৌবা সিনেমাগী অনৌবা খোঙহৌ অমা ওইনা কুমজা ২০০২দগী শাফোঙলকখিবা মণিপুরী দিজিটেল সিনেমাবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়াগা লোয়ননা সিনে ইক্বিপমেন্ট সেন্টর হাংদোক্তুনা মণিপুরী সিনেমাবু মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবীরম্বদা নত্তনা মমিং লৈরবা দিজিটেল ফিল্ম মরি পুথোকপীরম্বী নুপীলক্তগী অহানবা প্রদ্যুসর ওইরম্বী মোইরাংথেম সত্যভমা, খুরাই লমলোংদা লৈবীরম্বনা ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ১৬তা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফিল্ম মেকর এন্দ প্রদ্যুসর এসোসিএসন (অমফিস্পা) গী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী কোনুং মমাঙদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি হায়রি।

## শেন্দোই খোম্বা মতম খরগী ওইনা তৌগনু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ৱাংখেম হুইদ্রোম লৈকায়গী অপূনবা নুপী লূপ অমদি য়ুথশিংনা মায়কৈ অসিনা কোনবা মফমশিংদা হৌজিক লমদম অসিগা য়াম্না নক্লবা মফমশিংদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইশিল্লকপা অমদি শাগ্নীরবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া লৈরকপা অমদি তুংদা লমদম অসিনা কোনবা মফমশিংগা লৈমিন্নরিবা মীওইশিংগী খুদোংচাদবা লৈত-লায়রবদা ফংলিবা চৈথেং কয়া লাক্কদবা মরম্না মতম খরগী ওইনা টেন্দর, লোট্টরি, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, মাইক্রোফাইনান্স অমদি বেঙ্কশিংগী কলেক্টর অমসুং মোহরিশিংনা মতম খরগী ওইনা শেন্দোই খোম্বা লেপ্পীয়ু হায়না হুইদ্রোম লৈকায় অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।১০।২০২০ ইং, ইরাই ; অয়ুক পুং ৬.৫৭ ফাওবা মেরাগী ৭ নি পাল্লি, মতুং ৮ নি পানগনি।

**মেষ :** য়েক্লবনা পাঙ্গলবা অমদি ফিংবনা কাইনবা নংবা য়াবা নুমিৎনি। মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনিংবদি পাংগনি, পল্লম্বা থবক পাংবা অমদি শেল ফংবসু লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংবা মপা চাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** অঙনবদা লন ফংবা য়াবা খোঙশাল লৈ। ওজা গুরুগী পাউতাক লৌরবদি মাঙবা য়াবদগী লায়না কনগনি। খাংবা কনবা অমদি মীৱা লৌদবনা শাফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু-মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**মিথুন :** অঙনবদা মীচং খোম্বা অমদি অনৌবা থৌরমদা খূৎ থাবা য়াগনি। মরুপ থাজবা লুগনি অমদি তপথৌ। মীরক্তা চংলগা নুংঙাইগনি/ওইজবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** হন্থবা লোয়নবদা মীনা উশিত্তবা অমদি নুংঙাইতবা মথং মথং লাকপা য়াই-নোল্লুকপা তম্মু। পাংঙমদবা থবক পাংবগীদি নুংঙাইজবসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি ঙাংবা।

**সিংহ :** মতম মাঙবা অমদি চাদিং হন্থরগনি। লেংদবা লন ফংবৈ নুংঙাইবা, ঙাঙ-শকপদা মীনা থাগৎপিবা অমদি অচুম্বনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। মীচং হেল্লনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়েৎনরম্বা কোক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** থেংলপ্পা মীয়ামগী মতেং ফংবা, লন চাওখৎপা অমদি হরাওবা ফংজগনি। খন্থদ্রদি মরুপকা ৱারৌনবা লৈগনি অমদি মীনা ইনশিনবদৈ ফত্তবা পাংনিংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** অঙনবদা অফবা থবক পাংহৌবা য়াগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি নাপলনা য়েক্লবা চাওখৎপা য়াই-তপথৌ। থেংলদি মরম চাদনা খুৎচাওগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - কাইনবা য়াবা লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃশ্চিক :** লন ময়েং তাবা য়াবদগী কল্লনি অমদি লাইবক ফরনি। অরং অরাক ফংনবা তানবা, মীংচৎ ফংনবা হোৎবা অমদি ৱানোম থৌনোম মায় পাক্লনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংজবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** অঙনবদা মীচং ফংগনি অমদি লল্লোন-ইতিক্তা খুৎচাও থাহৌবা অশিংবা ওইগনি। অচুম্বা চৎপনা হেন্না লন চাওখৎকনি। হুরানবনদি ইমুংদা য়েংথিগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়েংশিনবা য়াম্মী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি হৈশিংনা থৌ পাংবা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি। মীয়ামগী মতেং ফংগনি। হুরানবনদি তাথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** অঙনবদা লাইবক ফগনি অদুবু থেংথরদি খূৎ চাওদবা ফগনি। অফ-ফত্ত য়েংদনা অনম তাল্লদি মীগা য়েংথিগনি। নক্লবনা নরলদা মীতাগনি-শাওগৎকনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** থবক পাংগনি অমদি শেল ফংগনি। ওইজবা তানবগী লম্দা মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা খুৎচাও থাহৌরো। অফা অপুন/য়েৎনবা লৈরসু কোকচবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ওদ তু লোক্তাক

## সোইবম রোজর







Soibam Roger is a freelance photographer based in Imphal.